


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, FEBRUARY 4, 2016 PAGE 7




আর্জেন্টিনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ২০১৫ কী চেম্পিয়ন
ওইরবা মতুং ২০১৬ কী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন্দা
ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ফংখিবা স্পেনগী রাফেল নদাল

স্পেনদা পাঙথোকপা গিব্রাল্টর ইন্টর্নেসনেল চেছ ফেষ্টিভেলগী তরেৎশুবা
রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বা আনন্দবু মায়থিবা পীখ্রবা
চহী ১৬ তা ওইরিবা হঙ্গেরিগী বেঞ্জামিন গ্রেদুরা

# ন্যু জিলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ অহুম সেরিজগী অহানবা মেটচ রন ১৫৯ দা মায়থিবা পীখ্রে

*ওকলেন্দ, ফেব্রুৱারী ৩ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা শান্নবা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজগী অহানবা মেটচ ঙসি ন্যু জিলেন্দগী সহর ওকলেন্দদা শান্নবদা য়ুম্বু ওইখিবা ন্যু জিলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ১৫৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি ওকলেন্দ সহরগী ইদেন পার্কত্তা শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজগী অহানবা মেটচ অদুদা য়ুম্বু ওইখিবা ন্যু জিলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা রন ১৫৯ দা থোইবা ঙমখিবনি। মেটচ অদুগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌখি।



*ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ১৫৯ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

ন্যু জিলেন্দনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩০৭ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টন অমসুং ওপন্নর ওইখিবা ব্রেন্দন মেক্লম অমসুং মার্টিন গুপ্টিলনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরসিপগীদমক ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু য়াম্না ফজনা মায়োক্লন্দুনা রন লৌবগী চাং ৱাংনা লৈখি।

ওভর ১০ শুজিল্লকপদা ন্যু জিলেন্দগী স্কোর অদু ওভর অমদা রন ৭ কী মথক্তা লৌদুনা লৈখি। কেপ্টেন মেকলম বোল ২৮ দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৫ য়ৈদুনা রন ৪৪ লৌদুনা লৈরিঙৈ ২৯ শুবা বোলদা আউট ওইদুনা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদুগী অহানবা ৱিকেট রন ৭৯ দা তুখি।

নৌনা চঙলকখিবা কেন ৱিলিয়মসননা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লরশিংগী এটেক্তুতা বোল ৮ মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। ন্যু জিলেন্দগী মরীশুবা বেটসমেন ওইখিবা হেনরি নিকোস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লরশিং অদু নিংথিনা মায়োক্লবা ঙল্লিবা মার্টিন গুপটিলনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনসিপকীদমক ওভর ১২ দা রন ১০০ লৌদুনা স্কোর বোর্দ অদু রন ১৮১ শুহনখি।

ইন্নিংস অদুগী ওভর ২৫ শুবদা মমাঙদা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৮ য়ৈদুনা মশাগী রন ৯০ শুরবা ওপনর গুপটিল ৭৬ শুবা বোলদা রন আউট ওইদুনা ন্যু জিলেন্দগী অহুমশুবা ৱিকেট অদু ২৫ শুবা ওভরগী মঙাশুবা বোলদা রন ১৮১ দা ৱিকেট ৩ তুখি।

মঙাশুবা বেটসমেন গ্রান্ট ইদিওট অমসুং হেনরিনা মখা তানা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু রন ২০০ লান্থোকখি। ইলিওট রন ২১ দা আউট ওইখ্রবা মতুং হেনরিসু মশাগী রন ৬১ শুরকপদা আউট ওইদুনা ন্যু জিলেন্দগী ৩৬ শুবা ওভরদা বেটসমেন ৫ আউট ওইরগা রন ২৩১ লৌবা ঙমখি।

লেমহৌবা ওভর ১৪ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লরশিংনা মথক থোংবা ঙমদুনা রন ৭৬ হাপচিল্লগা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩০৭ লৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী বোল্লর হেজলৱুদ, ফোল্কনর অমসুং মিটচেল মার্সনা ৱিকেট ২ /২ লৌবা ঙমখি। টিম অদুনা মায় পাক্লনবা রন ৩০৮ লৌনবগী টার্গেট লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্লবগী রন ৩০৮ য়ৌনবা হোৎনরকপদগী লম্বেল তাঙ্কক কয়াদা ন্যু জিলেন্দগীবোল্লরশিংনা থুগাইদুনা মেটচ অদু মখোয়দগী ন্যু জিলেন্দনা মুনবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু শুপ্নতগী ওভর ২৪ গী অনীশুবা বোলদা রন ১৪৮ খক লৌরগা বেটসমেন ১০ মক আউট ওইদুনা মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দনা রন ১৫৯ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর সোন মার্স অমসুং দেবিদ ৱানরগী পার্টনরসিপ রন ১০ কায়খি। মার্স রন ৫ দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং টিম অদুগী কেপ্টেন ষ্টিবন স্মিটনা শান্নবা চঙলবা মতুংদা বোল ১৬ তা রন ১৮ লৌদুনা লৈরিঙৈ ১৭ শুবা বোলদা ন্যু জিলেন্দগী বোল্লর হেনরিনা আউট তাহন্দুনা ইন্নিংস অদুগী তরুকশুবা ওভরদা ৱিকেট ২ তুরগা রন ৩৩ লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেনশিং অদু ন্যু জিলেন্দগী বোল্লরশিংনা হিরম খুদিংমক্লা মায়থিবা পীবা ঙমখি। তরুকশুবা ওভরদা রন ৩৩ লৌরগা ৱিকেট ২ তুখিবা ওষ্ট্রেলিয়া মপানশুবা ওভরদা মখা তাবা বেটসমেন ৪ আউট ওইরগা রন ৪১ খক লৌবা ঙমখি।

স্মিটকী মতুংদা শান্নবা চঙলকখিবা বেটসমেন মরি রন ২ খক লৌরগা আউট ওইখি। জোর্স বেলি রন ২, ওপনর ৱার্নর রন ১২ অমদি মঙাশুবা অমদি তরুকশুবা বেটসমেন ওইখিবা গ্লেন মেক্সৱেল অমসুং মিটচেল মার্স রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা ন্যু জিলেন্দগী নম্বর ৱান বোল্লর ওইরিবা ট্রেন্ট বোল্টনা আউট তাহনখি।

বেটসমেন তরুক আউট ওইখ্রবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথ্যুস অমসুং জেমসনা য়াম্না মরুওইবা তরেৎশুবা ৱিকেট পার্টনসিপগীদমক রন ৭৯ হাপচিনখি। অদুবু মখোয় অনী ২২ শুবা ওভরদা মথংশিংনা রন ৩৭ অমসুং ৩৬ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু রন ১২১ দা ৱিকেট ৮ তুখিবনি।

মখা তাবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা রন ২৭ হাপচিল্লগা টিম অদুগী বেটসমেন ১০ মক আউটট ওইখিবদগী মেটস অদু ন্যু জিলেন্দনা রন ১৫৯ মায় পাকখিবনি।

# ১২শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী বাস্কেটবোল ইভেন্ট ফিবানা শকখঙলরোইদৌরি




*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ৩ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৫ দগী ১৬ ফাওবা লৈবাক অসিগী সহর গুৱাহাটি অমসুং শিল্লোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী মনুং চল্লিবা বাস্কেটবোল ইভেন্ট অদু ইন্টর্নেসনেল বাস্কেটবোল ফেদরেসন্না শকখঙলোইদৌরি।

সাউথ এসিয়ান গেমসদা দিসিপ্লিন অমা ওইরিবা বাস্কেটবোল মশান্না অসিবু ইন্টর্নেসনেল বাস্কেটবোল ফেদরেসন (এফ আই বি এ) না শকখঙলোইদৌরিবা অসিগী অচৌবা মরমদি ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী থবক থৌরমশিংদা খুৎ থিংজিল্লকপদগীনি হায়রি।

ইন্টর্নেসনেল বাস্কেটবোল ফেদরেসন্না ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্দা পীখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা বাস্কেটবোল ফেদরেসন্না মখোয়না খুৎ থিংজিল্লকপদগী চয়েৎনবা লৈবা অদুনা ইন্দিয়াগী সহর গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদাপাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা বাস্কেটবোল ইভেন্টতা শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা আফগানিষ্টান, বংলাদেশ, নেপাল, শ্রী লঙ্কা অমসুং মালদিপ্সকী বাস্কেটবোল ফেদরেসনশিংদা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্কী শান্নরোইশিং ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা মখোয়গী শান্নরোইশিং থাদনবা খঙহনখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী বাস্কেটবোল ইভেন্ট চৎলিবা থা অসিগী ১১ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না পীখিবা সেদ্যুলদা লৈরিবনি।

পনবা য়াবা অমনা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন অমদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা রাজ্যশিংগী শান্নবগী ওথোরিটিশিংনা বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াবু লৈবাক অসিগী মশান্না অমগী ওইবা ফেদরেসননি হায়বা রিকোগনিসন পীদুনা লৈরিবনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না চৎলিবা থা অসিগী ৫ দগী ১৬ ফাওবা গুৱাহাটি অমদি শিল্লোং সহরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াবা ঙমননবগীদমক ইন্দিয়াগী ওইবা এদ-হোক কমিতি অমা শেমদুনা গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোল টিম শরুক য়াহন্নবগী অয়াবা পীখিবনি। অদুবু ইন্টর্নেসনেল বাস্কেটবোল ফেদরেসন্না ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোল ফেদরেসনগী মথক্তা লৈবাক অসিগী ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না চয়েৎনবা লৈ হায়দুনা ফেদরেসন অসিবু রিকোগনাইজ তৌখিদবা অদু তুংওইনদা থমদুনা গুৱাহাটি অমদি শিল্লোং সহরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোল টিম্বু রিকোগনাইজ তৌদে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না মমাঙ থাগী ৩০ দা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়ানিংবা বাস্কেটবোল শান্নরোইশিং ট্রায়েল সেলেক্সন্দা শরুক য়াননবা খন্নবা লৈখিবনি। অদুবু বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মখোয়গী শান্নরোইশিং থাদনবা খঙহনবা লৈখি।

# লৈকেষ্টরনা লিভরপুলবু মায়থিবা পীদুনা লীগ মাঙজিল থারি



*লিভরপুল ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-০ দা মায় পাকপা ঙমদুনা হরাওবা ফোঙদোক্লিবা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিং*

*লন্দন, ফেব্রুৱারী ৩ঃ*

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ২৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মকোক থোংবা টিম ওইরিবা লৈকেষ্টর সিটিনা লিভরপুলবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৫০ ফংলগা মকোক্তা লৈরি।

লীগ অসিগী মমাঙগী ২৩ শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা লিভরপুলগী টিম পোইন্ট ৩৪ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৮ শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা লৈকেষ্টর সিটি চপ মান্নবা মেটচ মশিংদা পোইন্ট ৪৭ ফংলগা মাঙজিল অদুমক থারম্বনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ২৪ শুবা লীগ মেটচ অদুদা লীগ অসিগী লুচিংবা ওইরিবা লৈকেষ্টর সিটিনা লিভরপুলগী মায়োক্লা কা হেন্না এটেক চত্থবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু শান্নখি। অমরোমদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী মখোয়না ৮ শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা অদু পোজিসন হাইগৎনবা কন্না হোৎখ্রবসু অহানবা হাল্ফতা উপায় লৈখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা লম্বা মান্নরম্লবা মতুং শান্নবগী ৬০ শুবা মিনিটতা লৈকেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী জিমি ভার্দিনা মেটচগী অহানবা পাঞ্জল অদু ৬০ শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি। জিমিনা মখা তানা শান্নবগী ৭২ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা লিভরপুলবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইবদগী লীগ অসিগী টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙল্লি।

# সাউথ এসিয়ান গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোই ৩০ অমসুং ওফিসিয়েল ৩৫ শরুক য়াগদৌরি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৩ঃ*

ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক রাজ্য অনী অসাম অমসুং মেঘালয়াগী কোনুং সহর ওইরিবা গুৱাহাটি অমসুং শিল্লোংনা পুন্না য়ুম্বু ওইদুনা চৎলিবা থা অসিগী ৫ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস ২০১৬ তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুরদগী শান্নরোই ৩০ অমসুং ওফিসিয়েল ৩৫ না শরুক য়াগদৌরি হায়না মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহলক্লি।

শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি আর্চরি ইভেন্টকী কাঙলুপ্তা ২, বোক্সিং ইভেন্টতা শান্নরোই ৩, নুপীগী ফুটবোলদা শান্নরোই ১২, জুদো ইভেন্টতা শান্নরোই ৪, খো-খোগী ইভেন্টতা শান্নরোই ১, ৱেটলিফটিংগী ইভেন্টতা শান্নরোই ১ অমসুং ৱুসু ইভেন্টতা শান্নরোই ৬নি।

সাউথ এসিয়ান গেমস অসিদা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা ওফিসিয়েট তৌগদৌরিবা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা য়াওগদৌরিবা মণিপুরগী ওফিসিয়েলশিং অদুদি আর্চরিদা ২, এঠলেটিক্সতা ২, বেদমিন্টনদা ৩, বোক্সিংদা ২, সাইক্লিংদা ১, ফুটবোলদা ২, হেন্দবোলদা ১, জুদোদা ১, কবাদিদা ২, খো-খোদা ১, সুট্টিংদা ৩, স্বিমিংদা ২, টেবল টেন্নিসতা ২, টাইক্বান্দোদা ৩, ট্রাইথলোন্দা ২, ভোলিবোল অমসুং ৱেটলিফটিংদা অমমম, রেসলিংদা ২ অমসুং ৱুসু মশান্নদা ওফিসিয়েল ২ না ইন্দিয়াগী কন্টিজেন্টতা মণিপুরগী মায়কৈদগী শরুক য়াগদৌরি হায়না মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# রাজপুট সাইগী কোচ ওইগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ৩ঃ*

ব্রাজিলগী রিও ওলেম্পিক গেমসগীদমক সুট্টিংগী এয়ার রাইফলদা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী সঞ্জিব রাজপুট স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী মায়কৈদগী কোচ ওইবগী ওফর অদু মশানা য়ানা লৌখ্রে।

ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী সুট্টর রাজপুটনা সাইগী কোচকী ফম অদু পীরকপদা নৌনা হৌগৎলক্লিবা সুট্টরশিংদা অচৌবা মতেং পীবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# চিরু স্পোর্টিং ক্লবনা দি এস এ লক্ষিপুরবু মায়থিবা পীখ্রে

*জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ৩ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা মপান ষ্টেটকী টিমশিং য়াওনা পুন্না টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজ মেটচ অমদা চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছারনা দি এস এ লক্ষিপুরবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মায়থিহৌরবা দি এস এ লক্ষিপুর লৈহৌরে।



*চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছার অমদি দি এস এ লক্ষিপুরনা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা*

ঙসি শান্নখিবা প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজ অদুদা চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছারনা টোস ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা দি এস এ লক্ষিপুর কছারনা বোল কাউবা হৌখি।

টিম অনীমক্না য়াম্না কন্না শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। সেকেন্দ হাল্ফ মতুংদা চিরু স্পোর্টিং কছারগী শান্নরোই লিঙাইনুনা ৫১ শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা টিম অসিগী মায় পাকপগী আশা উখি। মতুংদা টিম অসিমক্কী শান্নরোই জেরৈনা ৬৮ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চন্দুনা চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছারনা অপীবা মতম ফাওবদা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু দি এস এ লক্ষিপুর কছারনা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ও বিসেশ্বর সিংহ, এস রাজেস সিংহ অমদি এল অনিলকুমারনা সেন্টর রেফরি অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

হয়েং অহানবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজদা য়াইফবা লমজিং ক্লব দিবোং খুন্নৌ অমদি দি চেল্লেঞ্জর মারখোলিয়ান শান্নরগনি।

# অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র ভোলিবোল টুর্নামেন্টতা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৩ঃ*

ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্থু সেট ৩-২ দা মায়থিবা পীরগা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬গী ৱিন্নর ওইখ্রে।

খোরি লৈকাই য়ুথ এসোসিয়েসন নম্বোলনা শিন্দুনা হৌখিবা মমাঙ থাগী ২৮ দগী চত্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱাই এম দি ও অমদি এন ৱাই ভি এ না শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ৱাই এম দি ও না মথংশিংনা ২৩-২৫, ১৭-২৫, ২৫-১৭, ২৫-১৩, ১৫-৮ তা মায়থিবা পীরগা ৱিন্নর ওইখিবনি। বেষ্ট প্লেয়র অমদি বেষ্ট সেটরনা এন ৱাই ভি এ গী কে সান্তা অমদি এন বুধচন্দ্রনা তাখি।



*অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র ভোলিবোল টুর্নামেন্টতা ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱাই এম দি ও গী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং*


ADMISSION STARTS

For New Batch

GENERAL FOUNDATION COURSE

[ GFC ]

For Banking, SSC and Other Competitive Exams

CLASS STARTING FROM 22-02-2016
TIMING: 3.00 PM TO 5.45 PM

For limited seats

For limited seats

SPECIAL EMPHASIS ON :
- Verbal Reasoning
- Numerical Aptitude
- Banking Awareness
- Computer Awareness
- Non-Verbal Reasoning
- Indian Economy
- Marketing Awareness
- Current Affairs, etc.

SPECIAL FEATURES
- Supply of Study Materials
- Online exam practice class
- Regular Sectional Tests

Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future

KWAKEITHEL, IMPHAL

PHONE: 9206319209

SL/ 3 feb to 6 march